# লৈঙাক্লা মতম-মতমগী পীরকপা মহৈ-মরোং অমদি অতৈ স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং ফংফম থোকপা লৌমীশিংদা ফংহনসি : সুভাশ




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) :
লৈঙাক্লা মতম-মতমগী ওইনা পীরকপা মহৈ-মরোং অমদি অতৈ স্কিম কয়াগী খুদোংচাবশিং অদু ফংফম থোক্লবা তশেং-তশেংনা লৌউ-শিংউ অমদি ইংখোল কোয়জরিবা অশেংবা লৌমীশিংদা ফংহন্নবা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা হোৎনবীয়ু হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল অহন্থেম সুভাশনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ওফিসর হোর্টিকলচর এন্দ সোসল কঞ্জার্ভেসন থৌবালনা শীন্দুনা ঙসি হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিম অমা ওইরিবা মিসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিভেলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর (এম আই দি ঐচ) ২০২২-২৩গী অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী মখাদা থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী খনগৎলবা লৌমীশিংদা নীংথমগী মহৈ-মরোং মরু-মরাংশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল অহন্থেম সুভাশনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী লৌমীশিংনা লৌ লোকখ্রবা মতুংদা হাংদুনা লৈরিবা ঐখোয়গী লৌবুক-লম্ফাংশিং অসি শংহনসি হায়রগদি ঐখোয়না নীংথমগী মহৈ-মরোং (রবি ক্রোপ)শিং অসি মতম চানা থাবা মথৌ তাই। মসিগীসু মথক্তা লৈঙাক্লা লৌমীশিংগীদমক পীথরকপা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং অদু ফংহনবা মতমদা মীওই অমনা হায়রকপা অমদি পীখৎলকপা লোয়ননা থারকপদা হেক্তমক খনা পীশিনবীগনু। অশেংবা লৌমী অমা ওইনা তশেংনা লৌবুক্তা অমদি ইংখোলদা থবক শুজ-নোমজরিবা লৌমীশিং অদুবু মশক খঙদোক্লগা হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি। লোয়ননা লৌমীশিংনসু লৈঙাক্লা লেম্না পীথরক্লবনি হায়দুনা চাকচঙননবা হোৎনদবা তৌরোইসি। ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি অশংবা গ্রীনরি ওইবা লমদম অমা ওইহনবদা মতেং পাংমিন্নসি হায়নসু থৌরম অদুদা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিসর এম নবচন্দ্রনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি পাঙথোক্লিবা নীংথম মহৈ-মরোং থানবগী মরু-মরাং য়েন্থোক্লিবসি মিসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিভেলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর (এম আই দি ঐচ)গী মখাদা থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টতগী খনগৎলবা লৌমীশিংদা য়েন্থোকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা অপূনবা লৌফম হেক্তর ১১৮ রোমদা পান্দম থমদুনা মরু-মরাং থাননবগীদমক ফ্রেঞ্চ বিন, হৱাই মঙ্গল, তিলহৌ, কোবী অমসুং খামেন অশিনবগী মরুশিং য়েন্থোকখি। পি এম কে এস ৱাই স্কিমগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌমীশিংদা সবসিদিদা ঈশিং চিংননবা পম্প সেট, ড্রিপ ইরিগেসন, স্প্রিঙ্কলর ইরিগেসন, প্রোটেবল স্প্রিঙ্কলর অমদি মিনি স্প্রিঙ্কলরনচিংবসু ফংহল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী খনগৎলবা লৌমীশিংদা নীংথমগী মহৈ-মরোংশিং থাননবগী মরু-মরাং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী চ্যেরপর্সন ৱাইখোম কেশোনা থৌরম মপু অদুগা থৌরম অদুগী এক্সপার্ট ওইনা ডা. এম থোইথোইনা শরুক য়াদুনা নীংথমগী মহৈ-মরোং থাবদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিংগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহং-পাউখুমশিংসু পীবগা লোয়ননা লৌমীশিংগা পুন্না খন্ন-নৈনমিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

# বরাক মপাওনা পুথোকপা তশুবা ফিল্ম *ৱাকচিংগী নোং*গী য়াইফ থৌনি পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) :
বরাক মপাওনা পুথোকপা অহুমশুবা ফিল্ম প্রদক্সন ওইগদবা *ৱাকচিংগী নোং* হায়না মিংথোনবা ফিচর ফিল্মগী য়াইফ থৌনি থৌরম অমা ঙসি নুংথিল মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসামগী মরু শঙলেন সিলচরদা হৌনবী মতুংইন্না পাঙথোকখ্রে।

হৌনবী মতুংইন্না ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্তুনা হৌদোকখিবা য়াইফ থৌনি থৌরম অদুদা বরাক মপাওগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. রাজু খুমুজম, শক্লইরবা স্কোলার ডা. কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বম অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসামগী জেনরেল সেক্রেটরি প্রোফেসর খুমুজম ধিরেননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুকয়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা বরাক মপাওগী লিগেল এদভাইজর এদভোকেট ফাঞ্জৌবম লোকেনাথ অমদি বরাক মপাওগী প্রোগ্রাম দিরেক্টর সোঙোর লুৱাংনা মথৎশিংনো তরাম্না ওকপগী ৱারোল অমদি নুংগী ৱারোল থমখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা দুরদর্শন কেন্দ্র সিলচরগী সিনিয়র এদিটর কে বি থৌদাম, কশিরো গোপাল শর্ম্মা, শৈশকপা রাজ কুমার কুলাজিৎ সনা, নিংথৌমচা মেংলৈ সনা, ফিল্ম অসিদা শক্তম লাঙগদবী ফিমেল আর্টিষ্টশিংদগী রামেশ্বরি পোৎশংবম অমদি নিরুপমানচিংবা আর্টিষ্টশিংসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা বরাক মপাওগী মেম্বর লাইশ্রম সৈত্যজিৎনা থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসামগী মরুশঙলেন সিলচরদা য়াইফ থৌনি পাঙথোকখিবা ৱাকচিংগী নোং হায়রিবা ফিল্ম অসি খুন্নাইগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিংদা পাউজেল পীবা ফিল্মনি। ফিল্ম অসি বিরজিৎ ফান্দেবমনা প্রদ্যুসর ওইরগা সোমোর লুৱাং অমদি রাজু খুমুজমনা দিরেক্সন অমদি স্ক্রিন প্লে রাইটর ওইবনি হায়রি।

# হিয়াংথাং মনিং লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) :
চহী অসিগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২০দা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম অমনা মণিপুরগী মফম খরদগী য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অথিংবা লৌথোকখিবা ৱারেপ অদু হন্দোক্কদবনি হায়দুনা কাদা অমদি লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ইমা লূপশিংনা চথুরকপা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংথাং মনিং লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম চথুখ্রে হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দাংবম আনন্দগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ), হিয়াংথাং মনিং লৈকায় মৈরা পায়বী অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়বগী ৱাকৎ মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী হিয়াংথাং মনিং লৈকায়দগী হৈস্নাম তম্নানা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনা মরম ওইরগা ইমুং-মনুংদা ওৎপা নৈবা কয়া থোক্লি। লৈকায় অমগী চাউখৎ থৌরাংদসু থিন্থহল্লি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনা ঐখোয়দা অদুক্কী মতিক থোকহল্লি হায়বসি থায়নাদগী হৌনা ঐখোয় খঙই। মরম অদুনা মৈরা পায়বীগী ঈহৌ লৈরিবনি। অদুনা মণিপুরদা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীবগী ৱারেপ মৈরা পায়বী অমা ওইনা য়াবা ঙম্লোই। তুংগী অফবা চাউখৎপা লমদম অমা ওইননবা মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখিবা ৱারেপ অদু হন্দোকপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

# সোসল প্রোটেক্সন অমদি লাইভলিহুদ সিক্যুরিটিগী মতাংদা নুমীৎ মঙানি চুপ্না চথুগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিদা হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) :
ভি ভি গিরি নেসনল লেবর ইন্সটিট্যুট (ভি ভি জি এন এল আই) নোইদা, ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি-আর সী মণিপুর (আই জি এন টি য়ু-আর সী এম) মখান অমদি ইম্ফালগী খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিগা পুন্না খুৎশম্নদুনা সোসল প্রোটেক্সন এন্দ লাইভলিহুদ সিক্যুরিটি ইন দ নোর্থ ইষ্ট হায়বা নুমীৎ মঙানি চুপ্না চথুগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি হৌদোকখ্রে হায়না কোর্স দিরেক্টরশিং, ভি ভি জি এন এল আইগী ডা. ওটোজিৎ ক্ষেত্রিময়ুম, আই জি এন টি য়ু-আর সী এমগী ডা. এন সুর্জিৎকুমার অমদি খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিগী ডা. এ সুনিলনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুমীৎ মঙানি চুপ্না পাঙথোক্কদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা মীয়ামদা সোসল প্রোটেক্সন অমদি লাইভলিহুদ সিক্যুরিটিগী ফংফম থোকপা থবকশিং অদু ফংহন্নবগী মতাংদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা প্রোফেসর প্রকাশ মনি ট্রিপাথিনা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, লৈঙাক্লা মীপুম খূদিংমক্তা থবক ফংহনবা হায়বসি ওইথোকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টনা পীরিবা মখল মখা কয়াগী স্কিমশিং অসিগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা ট্রেনিংশিং পীদুনা সোসল সিক্যুরিটি অমদি লাইভলিহুদ সিক্যুরিটি ফংহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদে। বেটি বচাও বেটি পরাও অমদি ভোকেল ফোর লোকেল হায়বা অসিগুম্বা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না টেলেন্ট লৈরবা নহাশিং অমদি বিজিনেস তৌনিংবা মীওইশিংদা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ ওইহন্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না শরুক য়াখিবা প্রোফেসর এন জয়কুমারনা প্রসিদেন্সিএলগী ৱারোল পীরদুনা হায়খি, ইম্ফালদা লৈরিবা খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটি হায়রিবা অনৌবা প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি অসি অফবা মরুওইবা থবক কয়া পায়খৎলক্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রোফেসর প্রসন্না, ডা. এন প্রিয়োব্রত, সিলা ট্রিপাথি অমদি প্রোফেসর এন জি ঙালেংনমনচিংবসু শরুক য়াখি।

# এন আই ঈ এল আই টি ইম্ফাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট স্কিল কম্মিটি ককচিংনা শীন্দুনা কেপাসিটি বিল্ডিং ওফ দ টিচর্স হায়বা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) :
নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এন আই ঈ এল আই টি) অমসুং দিষ্ট্রিক্ট স্কিল কম্মিটি ককচিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা কেপাসিটি বিল্ডিং ওফ দ টিচর্স হায়বা হীরমদা নুমীৎ তরুকনি চুপ্না চথুগদবা ওজাশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হৌদোকখ্রে।

কেপাসিটি বিল্ডিং ইন আই ঈ সী টি ইনক্লুদিং ট্রেনিং ইন দিজিটেল স্কিলসেটস এন্দ করেন্ট ইন্দষ্ট্রি দিমান্দিং টেক্নেলোজিস ফোর ভেরিয়স সেক্সন ওফ সোসাইটি ইন দ নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট্স হায়বা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা নুমীৎ তরুকনি চুপ্না চথুগদৌরিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হৌদোকখিবগী থৌরম অদুদা ককচিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার সোমোরজিৎ সলামনা অথোইবা মীথুং, নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এন আই ঈ এল আই টি) ইম্ফালগী দিরেক্টর এন দেবচন্দ্রনা থৌরম মপু অমদি ককচিংগী জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর (জেদ ঈ ও) ৱাই অচৌবা, ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল নাওরেম নোমিতা অমসুং এম জি এন ফেল্লো ককচিংগী কোওর্দিনেটর ইরোম অবেস্নানা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসিদগী হৌরদুনা নুমীৎ তরুকনি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা কেপাসিটি ওফ দ টিচর্স হায়বা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নার ককচিং সোমোরজিৎ সলামনা ফোঙদোকখিবদা, ওজা হায়বসিদি মতম-মতমগী ওইবা হোংলক্লিবা অহোংবশিং অদুসু মুন্না খঙবা তঙাইফদে। মরম অদুনা ওজাগী শিনফমদা থবক তৌবীরিবা ওজা খূদিংমক্না মতম-মতমগী ওইবা লাইহিরিকশিং পাদুনা মহৈরোয়শিংদা মতমগা চুনবা অৱাংবা থাক্কী অনৌবা ৱাখল-লৌশিং পীবা ঙম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এন আই ঈ এল আই টি)না পায়খৎলক্লিবা অসিগুম্বা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী অহোংবা কয়া অসি পাক শন্না হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা অমদি টেলেন্ট লৈরবা নহাশিংদা খঙহন্নবগীদমক এন আই ঈ এল আই টিগী সেন্টর অমা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতসু হাংবীনবা মহাক্কী মায়কৈদগীসু মমাঙদা হায়জখিবা লৈখ্রে। অসিগুম্বা সেন্টর অসিনা লাক্লবদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদা য়াম্না হেন্না কান্নবসু পীবা ঙমগনি হায়না খল্লি হায়খি।

ঙসিদগী নুমীৎ তরুকনি চুপ্না চথুগদবা কেপাসিটি বিল্ডিং ওফ দ টিচর্স ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী ওজাশিংনা পুল্লগা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি চথুগনি। অসিগুম্লবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী ঙসি অহানবা নুমীৎকী টেক্নিকেল সেসনদা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এন আই ঈ এল আই টি) ইম্ফালগী প্রোজেক্ট এসোসিয়েট এল জয় অমসুং এন আই ঈ এল আই টি ইম্ফালগী সপোর্ট ষ্টাফ সনসম কুঞ্জরানিনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়ারদুনা অসিগুম্লবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি করিগীদমক পাঙথোকপনো। কান্নবা কয়াম পীবা ঙমগনি অমদি ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি লোইরবা মতুংদা মখোয় মখোয়না পাঙথোকপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা স্কুলশিংদগী লাকপা মশীং য়াম্লবা ওজাশিংসু শরুক য়াখি।

## ঈকায় খুম্নরক্লি



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) :
য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) থম্বালখোং ড্রামা য়ুনিটকী লমজিং-লমতাক ওইবীরম্বা চানম নিলবির মীতৈনা ইখঙ খঙহৌদনা হৌখিবা নবেম্বর ৬, নোংমাইজিং নুমীৎতা লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে। চানম নিলবির মীতৈনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবকী প্রসিদেন্ট সরাংথেম রঞ্জিৎনা ময়াই তাংবল লৌদুনা ক্লবকী মেম্বরশিংনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা মীনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবনা হিংলিঙৈদা মণিপুরগী লীলা, ড্রামা অমদি মণিপুরী ফিল্মগী লমদা লৌরম্বা থৌদাংশিংসু নীংশিংখি হায়না ৱাই দব্লিয়ু সী থম্বালখোংগী প্রসিদেন্ট এস রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৮।১১।২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা; নুংথিল পুং ৪.৩২ ফাওবা হিয়াঙ্গেগী থানিলনি পাল্লি, মতুং ১৬নি পাল্লনি।

মেষ: নীংবা থুংবা, থবক পাঙবা, অনৌবা ৱাখল্লোন লাকপা নুংঙাইজবা নুমিৎনি। মীঙেন্দো লৈখিবা শেল-থুমসু ফংবা য়ানা লৈরে। হুরানবনা কিহনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: হৌজিনখ্রবা থবক্ত নীংহন্নদনা চঙশিনবনা শোয়দনা মায় পাক্কনি, মীনা লাকচবা ঙম্লোই। মীতোপ্পা ইনশিনবা লৌরগনা চাদিং হেনবা অমদি কায়নবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

মিথুন: নীংবা থুংলনি, নচাক নরল চাওখৎকনি, লল্লোন ইতিক্তা মায় পাক্কনি। থাজদনা নক্নবনা মাঙনবা শীনবা, ফিংবনা খোয়রাং-খোয়শাওহনগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: অনৌবা ৱাখল্লোন্না হেন্না ফনা থৌ পাঙগনি। হন্থবা লোয়নরবা অমদি অশাওনা মাঙওইনরদি পোত্থাফম খঙলোই। য়ুমদা অফা অপুন্নৈ। থিবা হুম্বা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: অঙম্বনা তাথি, পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা য়াবা লৈরে-কান্নরনি, মীয়ামগা মরী হান্নদৈ ফগৎকনি। মথক থোংবনা চানবিরনি অদুনা ৱানোম থৌনোম মহৈ ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: নথক থোংবনা থোইনা চানবীবনা নচাক নরল চাওখৎকনি, অফবা লৌশিং ফুদোকপা ঙমগনি। ৱাখল তান্নরমদবশিং তান্নথোকপা য়াগনি। ৱানোম্বা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: নীংবা থুংগনি, পাঙনিংবা থবক লায়না পাঙগনি, মীয়ামগা মরী ফগৎপা অমদি হকচাং নুংঙাইজবা নুমিৎনি। মীকোক থোংবা ঙমদবৈ ৱাজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনম তানগনু হেন্না ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: লম খুদিংদা নীংবা থুংগদবা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিগদবা নুমিৎনি। লৌশিং হেনগৎকনি, ৱারম্বা ফরনি, ঙাং-শকপসু হান্নদৈ হেন্না হৈগনি, মী শুমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: মতম খরা মাঙলসু মীকোক থোংনা থৌ পাঙগনি। মীতোপ্তা থাজবা থমগনু অমদি লম চৎথোকপদা হুরানবদৈ চেকশিল্লু। শেন্দোং তানবদি খুৎচাও থাখিনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মকর: মরক মরক্তা ৱাখল তান্নবা ৱাৎপা খরা লৈগনি- হেন্না আশা চাওরুনু। নীংহন্নদবা, থৌনা লৈবা অমদি থাজনা থৌপাঙবনা চাওখৎপা হেনগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপাদি চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কুম্ভ: য়েক্নবা মাঙখিনি, ৱাখল থোক্কনি অমদি আশা-চাওবগী কান্নবা য়াম্না লাক্কনি। অফা অপুন্নগদবা থবক্তা য়াওগে খনগনু, খৎন-চৈনবা পামগনু-মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাঙাং হৈত্রদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

মিন: য়েৎনরম্বা কোকচদুনা ওইজবা ফংগনি। হোয়া ফবা, মীৱা লৌবা অমদি অখঙ অহৈ শাবনদি মাঙবতা নংগনি। খাঙবা কনবা/থিবা হুম্বা কনবনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) :
মৈতৈ পুৱারী লীবদা থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়াম্না শকখঙনবদা নত্তনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ২০২০গী মনা ফংখ্রবা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোংপাল চিঙ্গাংবম লৈকায়দা লৈবা কোন্সেম জিতেন এলিয়স নোংদম্বা মঙাংবু য়ুনাইটেদ লিটরেরি এদ্যুকেসনল সোসল এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুলেস্কো) ইম্ফালনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

য়ুলেস্কোনা শীন্দুনা খুরাই কোংপাল চিঙ্গাংবম লৈকায়দা লৈবা য়ুলেস্কোগী ফাউন্দর এস য়াইমগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লূপ অসিগী ফাউন্দর এস য়াইমা অমদি য়ুলেস্কোগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা য়ুলেস্কোগী মায়কৈদগী নোংদম্বা মঙাংদা লেংয়ান ফিনচিংবা পীদুনা তরাম্না ওকখি। তরাম্না ওকখ্রবা নোংদম্বা মঙাং মমাঙদসু ডা. অম্বেদকর এৱার্দ অমদি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী এৱার্দসু ফংখ্রে হায়রি।

# নোর্থ ইষ্টকী য়ুথশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন লুচিংবশিংগী ওইবা এস দি জি ২০৩০ অমদি পিছ বিল্ডিং ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) :
নেসনল ফাউন্দেসন ফোর ইন্দিয়া (এন এফ আই)না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী কো-স্পোন্সর মখাদা নুমীৎ নীনিগী ওইবা এস দি জি ২০৩০ অমদি পিছ বিল্ডিং ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না নেসনল ফাউন্দেসন ফোর ইন্দিয়াগী এম কে লাল গৌলনমগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ ইষ্টকী য়ুথশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন লুচিংবশিংগী ওইনা নবেম্বর ৬তগী ৭ ফাওবা ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা দিওসিজন সোসল সর্ভিস সোসাইটি (দি এস এস এস)দা পাঙথোকখিবা নুমীৎ নীনিগী ওইবা এস দি জি ২০৩০ অমদি পিছ বিল্ডিং ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা অসাম, মণিপুর অমদি নাগালেন্দদগী লাকপা য়ুথশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৩৮না শরুক য়াখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু এস দি জিগী হিষ্টোরিকেল অমদি পোলিটিকেল দিভেলপমেন্টকী মতাংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি। তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটিগী নহাশিংদা এস দি জিনা পায়খৎলিবা বেসিক ওইবা দিভেলপমেন্ট পোলিসীকী ফোর্ম্যুলেসনশিং অমদি বিল্ড এৱ্রেয়র্নেস এস দি জি ২০৩০নচিংবা মরমশিংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্ননবগীদমক্তসু অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হ্যুমেন রাইটস এলার্ট (ঐচ আর এ)গী বব্লু লোইতোংবমনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট গোল্ডস (এস দি জি) অমদি মিলিয়ম দিভেলপমেন্ট গোল্ডস (এম দি জি)কী মতাংদসু শন্দোক্লা তাক্তুনা খঙহনখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ঐচ আর এগী রঞ্জিতা শাদোকপম, ডা. অচান মুংলেন, ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভেলপমেন্ট সর্ভিস ওর্গনাইজেসন (আই আর দি এস ও)গী নোনিবালা নারেংবমনসু অসিগুল্লবা এস দি জি ২০৩০ অমদি পিছ বিল্ডিং ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি করিগীদমক্তা পাঙথোকপনো অমদি পান্দমনা করিনো হায়বনচিংবগী মতাংদা শুগায়না তাকখি।

ঙসিগী অনীশুবা লোইশিনবগী থৌরম নুমীৎতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক্সকী প্রোফেসর এলাংবম বিজয়নসু এস দি জিগী মতাংদা শন্দোক্লা মরুওইবা পোইন্ট কয়া পুথোক্তুনা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা নুমীৎ নীনি চুপ্না পাঙথোরকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনসু এস দি জিগী মতাংদা দিভেলপ তৌনবা অমদি তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা হোৎনমিন্নবগী ৱারেপশিংসু লৌখি হায়রি।